# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 20-09-2024)**

**স্পিকর (এল)ঃ** ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভা মীখলদা জে.দি.য়ুগী টিকেৎতা ভোট কারকখিবা এম.এল.এ. মঙাগী দিসক্কালিফিকেসন প্রোসিদিংগী ৱায়েল ঙসি মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষগী ত্রাইব্যুনেলদা চঙ্খরগনি।

এম.এল.এশিং অদুদি-কে.ঐচ. জয়কিষন, টি.ঐচ. অরুনকুমার, এল.এম. খৌতে, এম.দি. অশব উদিন অমসুং ঙুরশাংলুর সনাতেনি। এম.এল.এশিং অসিবু ভারত সংবিধানগী ১০ শুবা সেদ্যুলগী মখাদা দিসক্কালিফাইদ তৌগদবনি হায়না হরেশ্বর গোশ্বমী, এম. দোরেন্দ্রো অমসুং এল. সুরজিৎনা তোঙান তোঙানবা কেস তরেৎ থাংগৎলকখিবনি। হায়রিবা কেসশিং অদুগী প্রোসিদিং ঙসি অয়ুক পুং ১১ মখায়দা মনিপুর বিধান সভাগী স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলদা চঙ্খগদবনি হায়রি। হীরম অসিগী মতাংদা মনিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী সেক্রেটরিনা চেরোল অমদা থোকখ্রে।

**নোংমৈ (এল)ঃ** হান্নগী চীফ সেক্রেটরি অমসুং জনাতা দল (য়ুনাইটেদ) কী ভাইস প্রসিদেন্ট-ও. নবাকিশ্বরগী নিংথৌখোং ৱার্ড নম্বর সভেনদা লৈবা য়ুমদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ রাউন্দ মঙারোম কাপশিল্লম্লে হায়রি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-থৌদোক অদু ঙরাং পুং ৯ লোম তারকপা অদুৱাইদা থোকখিবনি। কনানা করি মরমগীদমক নোংমৈ কাপশিনবগী থৌওং অসি চঙ্খরম্বনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক থোকফমদা পুলিস লাক্তুনা য়েংশিনখি। ইমুং মনুংদগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না কনাগুম্বা লালহৌলুপ নৎত্রগা মীওই অমত্তগা নুংঙাইনদবা লৈতে হায়রি। লৈবাক্কী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা অসিগুম্বা থৌওংশিং অমুক হন্না তৌবীগনু হায়না লৈকাই অদুগী মীওইশিংনা ফোংদোরক্লি।

**এরেষ্ট (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঘাড়ি অৱাং লৈকাইদগী ঙরাং পুলিসনা কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অহুম ফারে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ফারবা মীওইশিং অদুদগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, মোবাইল ফোন মঙা অমসুং ফোর হ্বিল্লর ভেহিকল অমা ফাগৎলে। মখোয় অহুম্মক সেকমাই অমদি থাংমৈবন্দ এরিয়াদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়রি।

**ফোরেষ্ট (এল)ঃ** প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জারবেটর ওফ ফোরেষ্ট-অনুরাগ ভাজপায়না হায়রি-ফোরেষ্ট অমসুং ৱাইল্ড লাইফকা মরী লৈনবা পোৎথোকশিং সেক্যুরিতি ফোর্স, কষ্টমস অমসুং ইয়ারপোর্ট ওথোরিতিনা চেক তৌবা মতমদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকা নীংথিনা পাউ ফাওনদুনা থবক তৌমীন্নবগী তঙাইফদবা লৈরে।

ইম্ফালদা ঙরাং শ্রী অনুরাগনা সভাপতি ওইদুনা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মকোক থোংবা লুচিংবশিং অমদি মরি লৈনবা বিভাগকী ওফিসিএলশিং য়াওনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-উ য়াওনা ফোরেষ্টকা মরী লৈনবা পোৎলমশিং পুথোক পুশিন তৌবদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা তোয়না অপনবা পীরে হায়বগী ৱাকৎশিং লাক্লে। সরকারনা অয়াবা পীবা পার্মিট পায়দুনা অসিগুম্বা পোৎলমশিং পুথোক পুশিন তৌরিবা ত্রান্সপোর্টরশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মরম চাদনা অয়েৎ অপন পীদনবসু শ্রী ভাজপায়না খঙহনখি। মীফম অদুদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসারশিং, আই.জি.এ.আর (সাউথ), বি.এস.এফ, পুলিস, কষ্টমস, ইয়ারপোর্ট ওথোরিতি অমসুং ৱাইল্ড লাইফ ক্রাইম কন্ট্রোল ব্যুরোনচিংবগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

**ৱেদর (এল)ঃ** হন্দক রাজ্য অসিদা শাবগী চাং অমুক তপা তপা হেনগৎলক্লি।

রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটকী মতুং ইন্না ঙরাং নোনে জিলাদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ৩৭.৮৫ ওইদুনা খ্বাইদগী শাবা জিলা ওইখি।

চুরাচান্দপুরনা সেলসিয়স দিগ্রী ৩৭.১, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ককচিংদা সেলসিয়স দিগ্রী ৩৬ কী মথক্তা শাখি। ইম্ফাল ৱেষ্টতনা সেলসিয়স দিগ্রী ৩৪.৮৯ অমসুং বিষ্ণুপুর অমদি সেনাপতিদা সেলসিয়স দিগ্রী ৩৩ গী মথক্তা শাখি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** এন.ই.ঐচ. প্রোগ্রামগী মখাদা কামজোং, ককচিং, নোনে, তমেংলোং অমসুং উখ্রুল জিলাগী লৌমীশিংদা বিগ্যানিক ওইবা মওংদা খোই য়োকপগী ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙরাং ইরোইশেম্বদা লৈবা সেন্ত্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিয়ভরসিতিদা পাঙথোকখ্রে।

ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসিদা খোহি লোকপা অমসুং খোইদা তাগনবা লায়না তিন্নাশিং ঙাকথোকপা অমসুং শেন্থোক নৈনা খোই লোইবগী পান্বৈশিংগী মতাংদা অখণ্ড অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** বেঙ্গলুরুগী, বেঙ্গলোর ফূটবোল ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা সব জনিয়ার বোইজ নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ-২০২৪-২৫ গী মেটচ অমদা মনিপুর অমসুং গৱা ঙসি নুংথিল পুং অহুমদা শান্নরগনি।

হৌজিক ফাওবদা মনিপুরনা মেটচ অহুম শান্নবদা অহুম্মক কাদুনা গ্রুপ (বি) গী পোইন্ট টেবলদা মকোক্তা লৈরি।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী কোরপোরেসন অমসুং গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি-হ্বাইট রিভোলুসন টু পোইন্ট জিরোনা লৈবাক অসিদা নুপীশিংবু শক্তি পীবদা অমদি অঙাংশিংদা মচি ওইবা চিঞ্জাক নীংথিনা ফংহন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং

ওইরগনি।

মহাক্কী মন্ত্রালয়শিংনা নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিংগা মরি লৈননা ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা জাতি থাক্কী মীফম অমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী সাহনা হায়-খোঙথাং অসিনা থবক হেন্না পীবা, ওর্গানিক্কী লৌউ-পথাপপু হেন্না ফগৎহনবা অমসুং লৈবাক লৈহাও ফহনবদসু চাউনা মতেং ওইরগনি। মহাকা হায়-ভারত অসি মালেমদা শঙ্গোমগী পোৎথোক খ্বাইদগী য়ামা পুথোকপা লৈবাক অমা ওইরক্লি। হায়রিবা সেক্তরদা নুপীশিংনা মশিং য়ামা থবক তৌরি। গুজরাট খক্তদা শঙ্গোমগী পোৎথোক্তা লুপা কোতি লিশিং ৬০ রোমগী লল্লোন ইতিক তৌরি।

**ধনকরনঃ** উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকরনা হায়রি-মেদিয়াশিংনা লন্নাইগী ওইবা ৱাখল্লোন্দা চংশিনবগী মহুৎতা জাতি অমদি মসিগা মরী লৈনবা লোইশঙশিংনা হেন্না চাউখৎহন্নবগী হীরমশিংদা হেন্না মীৎয়েং চংবগী তঙাইফদবা লৈরে।

পার্লিয়ামেন্ট হাউসতা ঙরাং সংসদ টি.ভিগী কনক্লেপ অমা হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী ধনকরনা হায়-মেদিয়ানা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগা মরী লৈনবা ই-পাউশিং ফোংবগী মায়কৈদা হেন্না মীৎয়েং চংগদবনি। থৌরমদুদা শরুক য়ারদুনা লোক সভাগী অধ্যক্ষ-ওম. বিরলানা হায়-সংসদ টি.ভিনা সংসদকা মরী লৈনবা ই-পাউশিং ফোংদুনা মীয়ামদা গনতন্ত্রগী ৱাখল্লোন হেন্না শন্দোকবা হোৎনবদা শিংথানিংঙাই ওইরবা থৌদাং য়ারি।

**ঈচাওঃ** নোংচুপ বেঙ্গোলগী খা থংবা জিলাশিংদা ঈচাওগী ফিভম ফৎচিল্লক্তবদগী রাজ্য অদুগা ঝরখন্দগা তায়নবা মফমশিং নুমিৎ হুমনি চৎথোক চংশিন তৌবা থিংজিন্নবা মুখ্য মন্ত্রি-মমতা বেনর্জিনা খঙহনখ্রে।

খোঙথাং অসিনা মরম ওইদুনা ঙমখৈদা লৈবা চেক পোষ্টশিং থিংজিনখ্রে।

পোৎ-চৈ অমদি পেসেঞ্জর পুবা গাড়িশিং চেনবা লেপখ্রে। নোংচুপ বেঙ্গোলগী গঙ্গেতিক লমদম অমসুং ঝরখন্দদা হৌখিবা চয়োল অমরোম নোং কন্না চুবদগী তুরেলশিংগী ইমায় খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌরে। রাজ্য সরকার অমসুং এন.দি.আর.এফকী টিমশিংনা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চথুরি।

মরক অসিদা, ইন্দিয়া মেতিওলোরোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ঙসি মনিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমদা নোং তাগনি হায়রি।

**য়ুক্রেনঃ** ভারতকী ঙাকশেলগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং য়ুক্রেনদা পী হায়না ন্যুজ এজেন্সি-রোইটরসনা রিপোর্ট তৌরক্লিবা অদু ন্যু দিল্লিনা য়াখিদ্রে। মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী মচিন চৎপা মীশক-রনধির জাইসৱালনা হায়-রোইটরসনা পাউ অসি ভাবনা শাজিনবা অমসুং লান্না লমজিংবা পাউ অমনি। মসিনা ভারতকী মীচং চুংশিন্নবদা য়াওদবা হায়বা ফজরবা ৱাখল্লোনবু মাঙহন্নবা হোৎনরে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চহি ১৩ গী মমাংদা রাজ্য সরকারনা এপোইন্টমেন্ট পীখ্রবা প্রাইমারি টিচর লিশিং অমা চামরি কুনহুমদোই খনবগী রিজল্ট অমুক হন্না লাউথোক্কদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখিবা অমসুং জে.দি.য়ুদগী বি.জে.পি. ওনখিবা এম.এল.এ. মঙাগী দিসক্কালিফিকেসন প্রোসিদিং ঙসি চথুরগনি হায়বা পাউশিং অসি হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পোকফম পাউচেদা-সোসিএল মিদিয়াদা ৱা ফোংদোক্লুবগী ফাননবা হোৎনরিবা অমা ইন্টরিম পি-এরেষ্ট বেল পীখ্রে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা-ইম্ফালদা দেঙ্গিনা কন্না লান্দারক্লে। অনাবা মশিং হেনগৎলক্লি হায়বা পাউ অমসুং পাউচে অসিগী ইংলিস এদিসনদনা-

দেঙ্গিনা নাদুনা কৈশামথোং এলাংবম লৈকাইদা মীওই অমা লৈখিদ্রে। প্রজা মীয়ামনা ফোগীং তৌনবা খৌরাংনা ঙায়নরি হায়বা হেদলাসনদা পাউশিং অসি ফোংলি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-সোলিদ ৱেষ্ট প্লান্টতা ফত্ত-হৌদি কিলোগ্রাম লিশিং অমা থাদবদা লুপা ৩৫০ লৌরে। অমোৎপা তোয়না খোম্বা ঙল্লক্তবনা ইম্ফালগী মফম কয়া ফত্ত-হৌদিনা থল্লে, অমসুং এ.কে. মিশ্রানা দিমাপুরগী হেব্রোনদা আই.এমগী লুচিংবা মুইভা উন্নদুনা ৱা খন্নখ্রে হায়বা পাউশিং অসি অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তমেংলোংদা ফোংবা পাউ-চে, গানফিয়ু মেলদসু ফোংলি।

চুরাচান্দপ্‌রদা এস.এস.সিগী ইগাজম সেন্টর ককখিবদগী কুকি জো কেশি দদেটশিং পুং ২৮ চুপা চিং লম্বীদা অহিং তুমদবমখৈ মিজোরামদা চৎতুনা ইগজাম থানখ্রে হায়বা পাউ অসিনা মনিপুর ন্যুজকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-নৌনা লাকপা সি.আর.পি.এফশিংগী বেরেকশিং অয়াম্বা শাবা লোয়শিল্লক্লে। লৈবসু হৌরে হায়না সি.এম. বিরেননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা লামাইদা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা-ককৱাগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবী-নাওরেম সঙ্গিতাগী হকচাং লৌদুনা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অসি অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী বোংজাং অমসুং ইথম খুল মনাক্তা কিলোগ্রাম ২৮ হেন্না লুম্বা আই.ই.দি. অমসুং অতোপ্পা খুৎশু খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকল অমসুং ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

কোকোমি অমসুং য়ু.সি.এমনা কুকিনা তাবা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্ডর এরিয়াশিংদা শম্বল খাবগী থবক পন্দুনা লৈরিবা অসি য়ানিংদবা ফোংদোকখিবগী পাউ অমসুং নাগালেন্দগী ওতিংদা আর্মিনা মীচম কয়া হাৎখি হায়বগী সুপ্রিম

কোর্টতা চথরক্লিবা ক্রিমিনেল প্রোসিদিং ককখিববু  নাগা হোহোনা পেন্দবা ফোংদোক্লি হায়বা পাউশিং অসি তমেংলোং টাইমসতা ফোংলি।